থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# এম দি যুগী ‘ঈধৌগী লুহোংবা’



কুমশি চহীগী ‘নিঙোল চাক্কৌব’গী খূদোল ওইনা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন’না অনৌবা লীলা অমা পুথোক্লকই- *ঈধৌগী লুহোংবা*। নুমিৎতুমক্তদা ঊৎখিবা প্রিমিয়র শো অদুদদি য়েংহৌদে। তারিখ ১১, নবেম্বর ২০১৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ (মতম চান হৌঙমখিদে, ৩:১৫) দা অখন্নবা শো অমা ঊৎকনি হায়বা চেবাউ থারকপদগী য়েংবা ফংজহৌখি। রাজমনি অয়েকপম’না ইবনি, দাক্তর অথোকপম খোলচন্দ্র’না দিরেক্সন তৌবনি।

অনৌবা মণিপুরী থিয়েটরগী লময়ানবা, মণিপুরী থিয়েটরবু ইনি দয়াগী থিয়েটর তাইবংদা ইহান হান্না শক্তাক্লম্বা, মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন’না পুথোক্লকপা দ্রামা হায়বসি, থিয়েটর হায়বা কলাসিদা লূপ্লিবা মণিপুরগী অঙাওবশিং অসিনা মতম চুপ্পদা য়েংনীংনা ঙাইরিবা অখন্নবা পোত্থোক অমনি। অর্য়ান থিয়েটর অমদি রুপমহল থিয়েটর থারগা মণিপুরী থিয়েটরগী য়োৎশুবী মখোঙ অহুম ওইনা মতম শাংনা ঙাকখৎতুনা থল্লকপনি। অদুবু ঙসিদি তমথীরবা মতমগী ঈচেলগা মায়োক্নবা ঙমদ্রবা, ঈচেলদুগী তোৰ্ব্বানদা হৌরিবা মউ কংশিল্লক্লবা উপাল ওইরক্লে। খঙদে, ঈচেলদুনা কংশিল্লকপরা?

মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ষ্টেজ, ওদিটোরিয়ম অমদি নাক-য়েৎকী ফিবম অদু উবমক্তদা পূম্ন মক্নবুদি শোয়দনমক্কী হায়গনি-কুনমাথোইশুবা চহীচাসিগী লীলা য়েংবা (ওদিয়েন্স) শিংগী এক্সপেক্টেসন’দু য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বরশিংনা খঙবদা নৎত্রগা থুংহনবদা মতম কয়া চঙখিনি। চহী য়াঙখৈগী মমাংদা লৈখিবা থাক অদুদগী মতমগা চুননা হেনগৎলকপা নৎতবা শোকচিল্লকপা মতৌদুনা, খ্বাইদই নৌবা প্রদক্সন অসিদা চাওনা তারিবা মমিসি লোৎশিনজবা ঙমদরে। মমি অসি তুংগী প্রদক্সন কয়াদসু লোৎঙমদনা তাখিনি।

‘ঈধৌগী লুহোংবা’- মমিংসিমক্না তাকথোকচৈ অইবসিনা লীনীংলিবা ৱারীসিগী মীমান্নদবা মচত্তুগী মচং ওইবা মশক্তু। লীলাসিগী মিংথোনফম ওইরিবা ঈধৌ, কুঞ্জোবাবু, সরকারগী থবক তৌরম্লগা পোত্থারবা পেন্সনর অমনি। মহাক্না থবক্তগী পোত্থাবদা ফংলকপা রিটাইয়রমেন্ট বেনিফিটকী শেনয়ামদু শান্দোক্তুনা শেন্দোয় চারগা ইমুং পুই। মচা-মমৌ অমদি ইনখৎলক্লিবা মশুনুপা অমগা নুপী অমগা- থবক শূনীংদে, নোম্লিংদে। অহল ওইরবা কুঞ্জোবাবুদা উতাংবী ওইনা তাংদুনা হিংই। মচা পাখঙ লৈশাবী ফারক্লবা বিনোদ (মিলন) অমদি সখিতোম্বী (মঞ্জিতা), নৌনা ময়ূম পাল্লকপদা ঙায়রিবা মতৈ-মনাও অনীগুম, কেন-মৌনা কোয়-লংদুনা লৈথোকপা, অহলদুগী পেন্সন অমদি শেন্দোয়গী ইনকম অদুদা তাংদুনা হিংবা, থিকা তৌরিবনি হায়দুনা মথোঙ খঙদ’ শেল লংথোক্তুনা শান্নবা, মপাগী মরল তাৎ তৌদুনা মাঙহনবা, ময়ূম মকৈ পানবা য়ারবা মচা অনীদুগীদমক করিমত্তা নুংনাংদবা, ক্যারেক্টর য়াওদবা ক্যারেক্টর অনী ওইনা য়েক্কই। মশুনুপা জেমস (পাথৌ অঙোমচা) অমদি মশুনুপী সরজু (থাংজম সালিনি) অনীশু মতমগী ঈথক-ঈরাংদা তাউরিবা কাউশিঙ, মালেম লূম্নবা পোকপা, মমা-মপা য়োনগদবা মচা, গুদ ফোর নথিং, করিমত্তা চন্নরোইদবা ক্যারেক্টর অনীনি। কুঞ্জোবাবুগী ন্যুক্লিয়ার ফেমিলি অসিদা আউটসাইদ ইলিমেন্ট ওইবা ক্যারেক্টর অমা থাংজিল্লকই- তস্ফা (ইরেংবম সুন্দরি), মৌপ্পানুপা অমবু এঞ্জিনীয়র তম্বা থাননবা কুঞ্জোদগী লুপা লাখ অমখক পুবা লাকখিবী, ময়ূম পানবই ৱাখল থাদোক্লবী, কত্থোক্লবী ক্যারেক্টর অমা। তস্ফা হেক থাংদোরকপা সিন’দুদা লীলা য়েংবা পূম্নমক খঙলে- ঈধৌদা লুহোংলগদৌরিবী নুপী অদু তস্ফানি।

থোইদোক্না সিরিয়স ওইবা এটেম্প্ট অমগা লোয়ননা পুথোকপা মান্দবা, অয়েংবশিংবু ঙাইহাক নুংঙাইহনবা, অরুবা ৱাখল খলহন্দবা লীলা মখল অমা ওইরবসু তঙাইফদনা হংদবা য়াদবা ৱাহং খরা, খন্দ’-য়াদবা ৱাখল খরা থোক্লকই। কুঞ্জোবাবু, নুপী নৌনা কায়নখ্রবা, পূকচেল চাওবা, নুংশি হৈবা, মীনুংশি চেনবা, সরকারগী থবক তৌরম্বা নুপা অমনা- মচাগীদমক, মশুগীদমক য়াইফনবতা খনবা, মখোয়না হায়রিমখৈ হোয়’য়াবা, মখোয়তবু নুংঙাইজহৌরবদি হায়দুনা হায়বা ইন্দে খঙল’ফাওবদা পীথোকপগী পাম্মুবা খঙখিদবা মহাক্না, শেন্দোল শিংবা ঙমদদুনা ময়ূমদা মীনায় ওইজরগে চঙজরকপা নুপী অমবু করিগী, লুহোংদুনা ৱারীগী পোলোই ওইহল্লিবা? ৱারীসিগী পোলোইদা মপা-মপূ নুংশিবা খঙদবা মচা-মশু ময়ামদু মীফত্ত ওইহনখিবদুদি মশামক্না নত্তবরা? মহাক কৈদৌঙৈদা ৱারক চেৎপা অহল অমা ওইরকখিদে। মচা-মমৌ-মশুশিংগী মাঙথরক্লবা লমচৎ’তু কন্নবা হোৎনখিদে নোংমতা। কীন্থরনি খঙলবা মচাগী য়ূম্বান অদুগী চেকশিনৱা অমত্তসু হায়খিদে। অহোয়নদুম, লম্বী লান্না চৎখ্রবা অমন্বা লম্বীদুদা আশাগী মঙাল ওইবা ৱাফম কয়া অমা থনম্লগা, মখোয়বু অৱা ঈপাক্তা লংথরম্মী। ফাগি ওইবা মচল ওইনা মরক-মরক শীজিন্নখিবা ‘থাগৎলগা হরাওবা’ অমসুং ‘নুপী নহাদা মচেক য়ৈবা ফাগি’গী মচল অদুনা নুংদা লোৎলিবা ক্যারেক্টর অদু ওইরক্তুনা কুঞ্জোবাবু, ‘চেঙ চঙবা সাধু’ অমা ওইহল্লে।

অদুগা, দাইরেক্টরগী থৌ পুখিবা খোলচন্দ্র’দা হঙ্গৎচনিংবা ৱাফম অমনা- লীলাসিগী ক্যারেক্টরশিং, লীলাসিগী থৌদোক অমদি মতমনা পুরকপা অহোংবশিংগী মমি খর খরদি তাহনবা ফবনি। খূদম ওইনা, অহৌবা সিন’দগী অরোইবা সিন ফাওবগী মতম (পেরিওদ) সি চহী তরুক্কী মথক্লি -তস্ফাগী মৌপ্পা ইনাওতোন’না এঞ্জিনীয়র তম্বা চৎত্রিঙৈদগী, তম্বা লোইদুনা থবক তৌরগা, নুপী থিদুনা লৈখ্রবা মতম ফাওবনি। অদুবু, কুঞ্জোবাবুগী ইমুংদদি থাবুম খরতগী মনুংদা থোকপা থৌদোক্কুম্না করিমত্তা হোংদনা লৈ- ইমুংদুগী সেট অমদি ইমুংদুগী ক্যারেক্টরশিং।

ঐখোয়বু পূম্নমকসি করিমত্তা খন্দনা, কুমহৈনি খন্দুনা পংয়েং য়েংঙু হায়বরা? ৱাখল অদু এম দি যুগুম্বা লূপ অমগী আৰ্টিষ্টশিংনদি খলহন্নীংদে।

লৌশিং পুক্কে

# কেমোথেরাপি অমসুং ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্টেসনগী মহুৎ শিল্লকপা য়াবা হীদাক

ল্যুকেমিয়া লায়েংবদা শীজিন্নরিবা হীদাক মখল অনীনা রিস্ক ৱাংবা পেসেন্টশিংগী পুন্সি শাংদোকহনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা কেমোথেরাপি অমসুং ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্টেসনগী মহুৎ শিল্লকপা য়ানা লৈরে হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



ভিয়েনা জেনরেল হোস্পিটা-লগী অলরিক জেগরনা হায়খি, ইব্রুটিনিব অমসুং আইদেলা-লিসিব কৌবা ক্রোনিক লিম্ফেটিক ল্যুকেমিয়া লায়েংবদা শীজিন্নবা হীদাক মখল অনীনা রিস্ক ৱাংবা পেসেন্টশিংগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্লে।

হায়রিবা পেসেন্টশিং অসি শাংলবদা চহী অমদগী হেন্না পুন্সিদে। অদুবু অনৌবা হীদাক মখল অনী থাদুনা লায়েংবা মতমদা মীওই চাদা ৮০ রোম চহী অনী হেন্না পুন্সিবা থেংনখি।

কেন্সর লায়েংগী মতাংদা অনৌবা পন্দুপ অমা ওইনা লৌবা য়ারবা থৌওং অসিগী মতুং তারকপদা রিছার্চরশিংনা মখা তানা থিজিন্নবা হোৎনরি। অনৌবা হীদাক মখল মশীং হেনগৎলকপা ঙমদে।

টার্গেটেদ থেরাপীগী মতাংদা ব্লদ কেন্সরবু অতৈ অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা কেন্সর মখলশিংগী মোদেল সিষ্টেম ওইনা লৌরি। মরম অদুনা কেন্সর লায়েংলিবা ওনকোলোজিষ্ট পুম্নমক্না মায়কৈ অসোমদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপনি হায়না অলরিক জেগরনা ফোঙদোকখি।



অনী অসি পুন্না থারগা লায়েংলবদি মতুং তারকপদা কেমোথেরাপি অমসুং ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্টেসনগী মহুৎ শিল্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়না অলরিক জেগরনা ফোঙদোকখি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, অনৌবা হীদাক মখল অনীমক কাইনেজ ইনহিবিটরস ক্লাসকী মনুং চল্লি। হীদাক অসিনা কেন্সর সেলশিংগী লম্বীদা অপনবা পীদুনা সেলশিং চাউবা হেনগৎহন্দে। মরম অদুনা কেন্সর সেলশিং মায়োক্নবগা লোয়ননা রিস্কসু ৱাংই। অদুবু ব্লদ কেন্সর মতাংদদি অরায়বা মওংদা সেল মিলিয়ন কয়ামরুম লৌবা ঙম্মী। পুম্নমক অসি ওইদুনসু ল্যুকেমিয়া লায়েংনবগীদমক তঙাইফদনা কেমোথেরাপি তৌবগা লোয়ননা ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু নৌনা থেংনরক্লিবা হীদাক অনী অসিগী মতেংনা কেমোথেরাপি অমদি ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্ট তৌদ্রবসু পেসেন্টশিংগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।

খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা কেন্সর মখলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ল্যুকেমিয়া হায়বসি হকচাংদা ঈ শেন্লিবা টিস্যু, মরুওইনা বোন মেরোদা কেন্সর ওইরকপগী থৌওংবুনি। শরদ্ম মনুংদা য়াওবা স্পোঞ্জ মানবা বোন মেরোদা ব্লদ সেল পুম্নমক শেম্লকপনি। ল্যুকেমিয়া নারবদি এবনোর্মল ওইবা (অশোয়বা) হ্বাইট ব্লদ সেল কা হেন্না পুথোরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা হকচাং মনুংদা অকায়বা কয়া থোকহল্লকই।

হৌজিক ফাওবা ল্যুকেমিয়া ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। চপ চাবা লায়ওংসু লৈতবা মরম্না লেবোরেটরি টেষ্ট তৌদ্রিবমখৈ লায়না অসি নারে হায়বদু খঙবা ঙমদে। অদুম ওইনমক বোন মেরোদা ল্যুকেমিয়া সেল মশিং হেনগৎলকপদগী নোর্মেল ব্লদ সেলশিং পুথোকপা ঙম্লত্তবা মরম্না ঈ ৱাৎলকই, হকচাং শোন্থরকই, নিংশা শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙম্লক্তে, লাইহৌ হৌরকই অমসুং হুমাং কাংলকই। য়ারী-য়াখোঙদা ঈ থোক্লকপা অমদি থাগী খোঙকাপ লাকপদা কা-হেন্না ঈ চৎপসু য়াওই।

টার্গেটেদ ট্রিটমেন্ট হায়বসি কেন্সর সেলগী অখন্নবা মোলিক্যুলর -বাইওলোজিকেল প্রোপর্টিশিংদা মীৎয়েং থম্লগা লায়েংবগী থবক পায়খৎপনি। মদুগীদমক টিস্যু সেম্পলশিং লৌথোকপা মথৌ তাই। লায়েংলিঙৈ মনুংদা মখা তাবা ফোলো-অপ টেষ্ট তৌবগী মথৌ তারক্লবদি কয়ারক হন্না হকচাংদগী টিস্যু সেম্পলশিং লৌথোক্কদবনি। সর্জরি তৌরগা টিস্যু সেম্পলশিং লৌথোকপা মতমদা পেসেন্টশিং খুদোংচাদবা কয়ামরুম

## এক্সিদেন্টতা মীওই অনী লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল টিদ্দিম লম্বীগী নাচৌ পন্থোং ষ্টেনফোর্দ ফোটোন স্কুল মনাক্তা টাটা মেজিক (এমএন০৬এল/৬২০২) গা বজাজ পলসর (এমএন০১জেদ/০৮৭৭) গা থেংগায়নবদা পলসর অদুদা তোংলকপী নুপী অমা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রে। পলসর থৌরকপা অদুনা কা হেন্না অশোক অপন নংহৌদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমীং লাইশ্রম রেবিকা (২৪) অপোকপা এল বসন্তা কৌই।থিনুঙ্গৈ ময়াই মমাং লৈকায়দা লৈবনি। থৌদোক অসি হৌখিবা ওক্তোবর ২৩ গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা রেবিকা শিজ হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুংদা ঙসি অয়ুক লৈখিদবনি হায়রি। অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্তেম তৌরগা পুলিসনা ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা, থা অসিগী ১২ গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা ময়ুমদগী হোন্দা এক্তিভা অমা থৌরগা ক্বাসিফাইদা মী থিল্লুরগা হল্লকপদা তৌপোকপী মপাদা লম্বীদা গাড়ী অমনা থোম্বদগী শোক্তুনা লায়কন্নরকপা নুপা অমা লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমীং খ্বাইরাকপম সোমোরজিৎ (৩৮) অপোকপা কেঐচ একেন্দ্রো কৌই। মহাক গাড়ীনা হেক থোম্লম্বগা শোকপদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা খুদক্তা নিংথৌখোংগী প্রাইমারি হেল্ঠ সেন্তরদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা অমুক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তম্না পুখৎলকপদা লম্বীদা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা গাড়ী অদুদি খাল্লমদনা থৌখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা বিষ্ণুপুর পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

## চীংগী কলচরেল প্রোগ্রাম উৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর ইন্টরনেসনল ট্রেদ এক্সপোগী মনুং চন্না ঙসি ফেশন শো অমদি চীংগী কলচরেল প্রোগ্রাম কয়া উৎখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি মনিটেক্সনা শীন্দুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা চত্থরক্লিবা এক্সপো অসিগী ঙসিগী থৌরমদা চীফ সেক্রেটরি ডা. সুরেশ বাবু, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (টি সী এন্দ আই)সু শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা লৈঙাক্কী শক্নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## দাইবেটিস দেগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৪: লাইওন ক্লব ওফ ইম্ফালনা শীন্দুনা ৱার্ল্ড দাইবেটিস দে ২০১৮ গা মরী লৈননা লেম্না দাইবেটিস খঙদোবগী কেম্প অমা ঙসি ইম্ফালগী ঘরিদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা পাঙথোকখ্রে হায়না লাইওন ক্লব ওফ ইম্ফালগী মার্কেটিং এন্দ কম্যুনিকেসন ওফিসর লাইওন এম মানসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী প্রো. ডা. ৱাই ইবোতোননা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়ারদুনা দাইবেটিসকী মরমদা মীয়ামদা ৱাখল তান্নবা ৱা ঙাঙখি। মহাক্না হায়, ঐখোয় মীওইবনা অফবা পুন্সি মহিংদা হিংলবা, চীঞ্জাক কন্ট্রোল তৌদুনা হৈ-রা, মনা-মশিং চাবা অমদি কোলেষ্ট্রোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবা হন্থরবদি দাইবেটিস অসি নাহন্দবা য়াই।

থৌরম অদুদা ঐচ আর দি স্কুলগী ওজা, নন-টিচিং ষ্টাফ অমসুং মহৈরোয় পুন্না মীওই ৩৯১ দা দাইবেটিস ষ্টেট তৌখি হায়রি লোয়ননা থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন, ওজা অমসুং মহৈরোয়শিংগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তাখি।

## সাইক্লৈংঙ্গেসে/পাউজেঙ্গবা



হৌখিবা নবেম্বর ১১, ২০১৮ নোংমাইজিং নুমিত্তা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা ঐগী ইচানুপী এক্সত্রা এজ স্কুলদা ক্লাস টুয়েল্ভ (সাইন্স) তা তম্লম্বী **নোংমাইথেম সিমরন** তাইবঙ শেন্বা মপূগী লৈকোলদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

লাক্লিবা নবেম্বর ১৬, ২০১৮ ইরাই নুমিত্তা মঙানি লৈহুন তমজরগা, নবেম্বর ২২, ২০১৮ শগোলশেল নুমিত্তা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না তাইবঙ মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈজরুনবগীদমক ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং কৎচগদৌরি।

নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগা তিন্নরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা মরুপ-মপাং, খ্বাই খিবিক্না লাকপীদুনা মপূগী মীঙ্খ্রে শক-শোনবগী থৌরমদা শরুক য়াবীনবা পাউচেগী থোঙদা নোল্লুক্না পাউজেল কৎচরি।

***পাউজেঙ্গরিবাঃ* নোংমাইথেম বিক্রম (অপোকপা) নোংমাইথেম ওংবী জেনি (অপোকপী) অমদি ইমুং মনুং**
*য়ূম্নাম লৈকায় লাইরেম্বী অৱাং লৈরক, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

HL-P/5679/15&16







